থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# পুন্সি-শিন্থা (কর্ম্ম) অমসুং পূক্নিং-ৱাখল - ২

ৱারীসি অদোমসু তবীরম্লগনি হান্ননা, ঐনা শাজিনবা/শেমজীনবা ৱারী নত্তে, ভারতকী মফম কয়াদা লীনখ্রবা ৱারীনি কয়ারক হন্না। লাইরিক্তসু ইনখ্রবনি। নীংশিংলুদ্রবদি কাউবগুম, কাউরম্লনি খন্দুনা ঙসি অমুক নীংশিংলিবনি- তমগে নীংবা পাউদমসি হেন্না মরীক চূম্লনবা। খঙবদা হেন্না লায়ননবা! ওম্থোক্লা লুনা, চান্ননা তীন্নবা মরুপ অনীখক নোংমা, হান্নগুম চৎমিন্নরম্মী- ঙাইহাক্কী ওইবা নুংঙাইবা, অপেনবদু ফংনবা কৈথেলগী চিদাইদা লৈবা 'ওক্তবীগী শঙ' অদুদা। চয়োল অমগী লোইশিল্লকপা, থাংজ নুমীৎ খূদিংগী মফমদুদা চৎলগা মীকুপ খরা নুংঙাইথোক্লুবা... মথংগী নুমীৎ পোথারগা, থংনবা নুমীৎ তরুক্লিথবক সূজবা- থাবুম কয়া তৌদুনা লাক্লবা, হোংদোকপা ৱারবা হৈনবীনি মখোয়গী।

অসুম থোকউ হায়দুনা, নুমীত্তুদি, লম্বীগী চিদাইদা লৈবা য়ূম অমগী মাঙ্গোন্দা 'গীতা-পাঠ' তৌদুনা লৈরম্বদু হেক থেংনজরুরে। চৎনা চৎনা তার'সু, মমল য়াম্লবা পাউতাক্তু নাকোংদুদই নাম্থোক্তুনা চৎপা ঙমখিদ্রে। অনীদুই মরক্তা অমনা হায়রকই... 'মরুপ! মফমদুদা চৎলগুমসি। পাপকী লম্বী অসিদা মখা তানা চৎলগুমসি। গীতাগী পাউতাকসি মখা তানা তাদুনা ঐখোয়না চৎলিবা অমম্বা লম্বীসিদা মঙাল ওইনা ঙালহল্লসি'।

'ঐনা চৎলিবা লম্বীসি অমম্বা লম্বী নত্তে, ঐনা তৌরিবা থবকসিসু পাপ নত্তে পুন্যনি... নহাক লৈহৌরো, চৎলুখিগে ঐহাক্তি'... অসুম্না, করিমত্তা খন্থদনা খুল্লম্লগা মহাক চৎখি মহাক্কী পন্থুং য়ৌনবা।

গীতাগী পাউতাক ময়ামদুগী শন্দোক-ৱারোল পীরিবা, লেকচর হোলদুদা ফমহৌরিবা মরূপ্তু, খঙবা ৱারবা অর্জ্জুনগী ৱাহং, কৃষ্ণগী পাউখুম, ৱাহৈগী উমংদা লম্মুক্নরক্লে। 'ওক্তবী-শঙ'দা চৎখিবা মাগী মরুপ অদুগী ৱাখল, মকোক্তুদই তাম্থোকপা ঙমদরে... মহাক্তি হৌজিক শকহেনবী কনাগুম্বী অমগী মথানুংদ পুন্সিগী নুংঙাইবা মীকূপ খরা লেল্লমগনি... অমম্বা ৱাহৈ উমংসিদা চঙলক্তনা শকহেনবী কনাগুম্বী অমগী কাদা চঙলুরিবা মহাক কয়াদা লৌশিং চাউখ্রবা'!

ওক্তবী-শঙদা চৎখিবা মরুপ্তুসু মীকূপকী ওইবা মহাক্কী অপেনবদু ফংলবা তুং খল্লকই...'গীতাগী অৱাংবা ফিদম তাগনি লৈহৌরিবা ঐগী মরুপ, কয়াদা লৌশিং চাউখ্রবা... ঙাইহাক্কী ওইবা নুংঙাইবা, মীকূপ খরগী অপেনবসিখক্কীদমক পূক্নিং-শান্তি ফংহনগদবা 'গীতা-পাঠ' অদু থওইরুদেদকো'!

ৱারী অসি, কুনশুবা চহীচাগী অথোইবা গুরু অমনি শীংথানরম্বা শ্রী রামকৃষ্ণ পরমহংসনা মাগী তুংইনবা ছাত্রশিংদা তত্তনা লীরম্বা ৱারী অমনি। ৱারীসি মফম কয়াদা অতোপ্পা গুরু/লুচিংবশিংনসু লীনৈ তোঙান তোঙানবা ইন্টরপ্রিটেসন কয়াগা। মওং কয়াদা ৱারীসিগী ৱাহন পীসনু। ৱাহনশিংদু পাজরুবা অমা ওইনা, ঐগীদি- 'ওক্তবী-শঙ'দা চৎলুরিবা মহাকসু, 'গীতা-পাঠ-তৌফম-কা'দুদা চঙলুরিবা মহাকসু, মশা-মশাগী কর্ম্ম অমমম পাঙথোক্লিবনি- হায়বা পাউজেল অদুনি মরু ওইরিবা। গীতাগী পাউতাক তাগনি চঙশিল্লক্লগা ওক্তবী-শঙদা চৎখিবা মমান্নবদুগী ৱাখলদা তাউদুনা লৈরিবা মহাক অদুনা, ওক্তবীগা লোয়নরুরগা অওনবা ৱাখল অমা খল্লক্লিবা মঙোন্দগী 'ফত্তবা-কর্ম্ম' তৌবা হেল্লি। লাইশঙদা চঙলগা নুংতিগী লাই খুরুম্লিবা, নুংতিগী মঙারক নামাজ তৌরিবা, অদুগা ওইদ-পাদ-হুরান-চিন্থিগী থবক তৌদুনা, মীগী মাঙনবা তৌরিবা- মহাক্তুদি ফত্তবা কর্ম্মনা য়োম্লবা খ্বাইদই চাউবা পাপীনি। অদুগা ইনাকখুনবই মরল মৎলগা লায়রবই য়াইফনবা তৌরিবা মহাক অদুদি অফবা কর্ম্ম তৌরিবনি- সন্ত/গুরুশিংনা হায়রম্মী। শামু ময়া লল্লোনবা, দাকু বিরপুন, পুলিসনা কোয়তান তান্নদুনা, কর্নাতকাগী উমংদা মীরোৎ ওইরিঙৈ, লায়রবা (উমংগী মী) ময়ামগীদি লাইমক্লি খন্দুনা, মতম কুইনা কন্দুনা থমখি মখোয়না। কন্যাকুমারীগী সমুদ্র ময়ায়দা তামিল কবি তিরুভাল্লুবরগী মিতম খিল্লিবা, বিরপ্পন-দাকুগী দিমান্দ'দা কেরেলা-কর্নাতকা-তামিল নাদু ষ্টেট অহুমগী লৈঙাক্লা পূল্লগা তৌখিবা থবক্লি, ফিল্ম-ষ্টার রাজ কুমারবু কিদনেপ তৌদুনা ফারগা দিমান্দ তৌদুনা। দাকু ওইনা লৈর'সু অফবা কর্ম্ম তৌরম্মী। কর্ম্ম হায়বসি ফিজিকেল বোদি (হকচাং) অসিনা তৌরিবা থবকশিং অদুখক্তা নত্তে। পূক্নিংসিনা খল্লিবা ৱাখলদুসু কর্ম্মনি। 'গীতাগী-পাউতাক-তাফম'দা চঙলুরিবা নুপাদুনা তৌখিব কর্ম্ম-অমুক্তং নৈনদুনা য়েংলুসি। মহাক্লা খনখি- মফমদুদা চৎলগা, কৃষ্ণগী পাউতাক তারগা মহাক ঈশ্বরগী মনাক নক্লনি, স্বর্গ মশক খঙলনি, অউবনা অফবা-মীনি হায়রনি। অদুগা অরোনবা (অথুপ্পা) থম্মোয় কাচিন্দুদা 'ওক্তবীদুগা মীকূপ খরদং নুংঙাইনা লেনমীন্নরম্লবদিকো' হায়দুনসু খল্লম্মী। কর্ম্ম মপৈ পৈখৎলম্মী। অদুগা অতোপ্পা মরুপ অদুদি- হকচাংগী ঈখৌ পোকহনবা কর্ম্ম অদু পাঙথোক্লগা, চুমদ্রিং চুম্না 'মহাক্কী মরুপ্পা তৌরিবা কর্ম্মদুনা ফবা হেল্লি' ৱাখলদুদা খল্লকই।

কর্ম্মগী ফবা/ফত্তবা, মরুওইবা/ওইদবা-পাঙথোক্লিবা থবক্তুগী ইন্টেন্সন'দুগী মখা পোল্লি। ঐনা কনাগুম্বা অমদা নুংশিনা করিগুম্বা খরা হায়রুবা, মহাক্লা ঐবু ৱারৌখিবা- মদু মহাক্কী কর্ম্মনি, ঐগী নত্তে। অদুগা, ঐনা মাবু তূক্কচ্চনা, নুংশিবা য়াওদনা চৈরুবা, মহাক্লা করিসু খনখিদবা, ৱারৌ-পুক্লৌ তৌখিদবা- মদুসু মাগী অফবা কর্ম্মনি। কর্ম্ম অনীমকসিদা ঐগীদি ফত্তবা কর্ম্ম ঙাক্তনি। থবক অমগী অফ-ফত্তা, থবক্তুগী ওইরক্লিবা মহয়দুনা তাক্কনি। অতোপ্পা কর্ম্ম মখল খরা অমুক য়েংলুসি। উমংদা উ য়াল্লিঙৈ, খুত্তা পায়রম্বা থাঙ অদু নাম্থোক্তুনা থবক সূমিন্নরিবা মরুপ অমদা পান্দুনা শোক্লে। লায়কন্নবা ঙমদনা শিরে। মদুসু কর্ম্ম অমনি। অতোপ্পা থৌদোক অমদা- ঈংনা চিক্লা ৱারী শানরম্বা মরুপ অনী ৱারী মতাং অমদগী অকনবা মরৈ য়েৎনরক্লে, ৱাহৈদই খূৎ য়াওনরক্লে। অনীদুই মরক্তা অমনা মনাক্তা লৈরম্বা পোৎ অমনা থোমদুনা/থাঙ অমনা থিন্দুনা/পায়রম্বা নোংমৈনা কাপ্তুনা মরুপ অদু হাত্তোক্লে। অহুমশুবা কর্ম্ম-কেস-য়েক্লবনি খল্লবা কনাগুম্বা অমবু অচেংবা তাঞ্জা য়েংলগা, হুরান-লান্না/লুমফুদা নোংমৈনা কাপ্তুনা/থাঙনা থিন্দুনা হাত্তোকপা। মরিশুবা মওংগী কর্ম্ম-মেকবেথ'না নিংথৌ দনকান হাৎখিবগুম, য়েক্লবদুবু তাৎ তৌদুনা থাজহল্লগা চাক্লেন অমা পীজরগা, পঙথহল্লগা/তূমথহল্লগা হাত্তোকপা/পুম্নমকসি সূপনৎ নত্তবা, মঙাশুবা কেস অমদনা- য়েক্লবা ওইরবা মরুপ্তু, মরুপ ওইনা লোয়নরগা য়েক্লবা মতৌ উত্তনা মহাক্কী মাঙনবা/মূৎনবা থবক তৌদুনা, কায়নথংদা মথ্বায় মাঙনবা থৌরাংবা- সকুনিনা দুর্যোধনগী মফমদা তৌখিবদুগুম।

য়েংসি- কেস মঙা অসিদা-মথ্বায় মাঙগদৌরিবা মীশক অমা, মথ্বায়দু মাঙনবগী মরম ওইরিবা মীশক অমা! মখোয় অনীগী কর্ম্মগী ৱারীনি। শিবা হায়বা, 'কর্ম্ম'গী ফল অমা মায়োক্লগদৌরিবা মঙোন্দদি চপ মান্নে। কর্ম্মশিং অদুগী খেন্নবা লৈতে। খেন্নরিবসি- শিবগী মরম ওইগদৌরিবা কর্ম্ম অদু পাঙথোক্লিবা মহাক অদুগী থবক্তুনি।

খনবীয়ু- মঙাসিগী মরক্তা করম্বা কর্ম্মনো খ্বাইদই হেন্না তমথীবা? ঐদি খল্লি- মঙাশুবা কেস অসিনি। অদুগুম্বা তমথীবা কর্ম্ম মখলদুনি- ঙসিগী মীরোলনা পাঙথোক্লরিবা।

লৌশিং পুক্কে

# মখল অমত্তগী লায়ওং

## উৎথোরক্তবা সাইলেন্ট হার্ট এটেক্কী চেকশিনসি



হকচাং লেঙ-ওৎপগী চাং ৱাৎপগা লোয়ননা জঙ্ক ফুদ চাবগী হৈনবী থম্নরকপা মরম্না থম্মোয়গী লায়না নাবা মীগী মশিং অসুম-অসুম হেনগৎলক্লে। মালেমদা মী খ্বাইদগী য়াম্না শিহনবগী মতাংদা মরুওইবা মরম অমা ওইরিবা হার্ট এটেক্কী মতাংদা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংনা মতম কয়া থিজিন্দুনা লাক্লি।

হার্ট এটেক্কী মরুওইবা লায়ওংশিংদি থবাক নাবা, নিংশা শ্বর চনিং তানা হোনবা ঙম্লক্তবা অমসুং হুমাং পাখৎপা অসিনচিংবনি। রিছার্চরশিংনা হন্দক্তা থিজিনবদা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা হার্ট এটেক্কী থৌওং অমা থেংনরে। মখল অমত্তগী লায়ওং উৎথোরক্তবা হার্ট এটেক মখল অমা থেংনরকপা মরম্না মীওইবা খুন্নাইদা খুদোংথিবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই হায়রি। সাইলেন্ট হার্ট এটেক হায়না খঙনবা থৌওং অসি হার্টকী মশলশিংদা মপুং ফানা ঈগী ঈচেল য়ৌরক্তবদগী ওইরকপনি। হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইরিবদি মখল অমত্তগী লায়ওং উৎথোরক্তবা মরম্না সাইলেন্ট হার্ট এটেকনা মী শিহনবা য়াবগী রিস্ক শরুক অহুমলোম হেল্লি হায়রিবা ৱাফম অসিনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ৱেক ফোরেষ্ট বেপ্টিষ্ট মেদিকেল সেন্টরদা ইপিদমিওলোজিকেল কার্দিওলোজি রিছার্চ সেন্টরগী দিরেক্টর ওইবা এলসায়েদ জেদ সোলিমাননা হায়খি, সাইলেন্ট হার্ট এটেক্কী থৌওং অসি কা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওই। ইলেক্ট্রো কার্দিওগ্রাম (ঈ সী জি) গী মতেংনা হার্টকী ইলেক্ট্রিকেল এক্টিভিটি চেক তৌরগা সাইলেন্ট হার্ট এটেক খঙবা ঙম্মী। 'সর্ক্যুলেসন' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা রিছার্চরশিংনা হায়খি, সাইলেন্ট হার্ট এটেক তৌখ্রবা মীওইশিংবু মৈখু শীজিন্নবগী হৈনবী থাদোকহনবগা লোয়ননা হকচাংগী অরূম্বা, ঈদা য়াওবা কোলেষ্টরোল অমসুং ব্লদ প্রেসর হন্থহনবা মথৌ তাই।

রিছার্চরশিংনা মীয়ায় চল্লবা মীওই ৯,৪৯৮ গী মওং মতৌ চহী মাপন চুপ্পা য়েংশিল্লম্মী। মদুদা মীওই ৩১৭ সালেন্ট হার্ট এটেক অমসুং অতোপ্পা মীওই ৩৮৬ না হার্ট এটেক তৌরকপা থেংনখি।

অতোপ্পা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, নুমীদাং তূমদনা থবক শুবা মীওই, মরুওইনা নুপীশিং থম্মোয়গী লায়না নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ।

ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা য়ু এস ব্রিঘেম এন্দ ৱিমেন'স হোস্পিটালগী সেলিন বেট্টরনা হায়খি, চহী ১০ রোম নুমীদাং থবক তৌবগী পালি তারকপা নুপীশিং কোরোনরি হার্ট দিজিজ নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ। মৈখু শীজিন্নবা, মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাদবা, হকচাং শাজেল তৌদবা অমসুং বোদি মাস ইন্দেক্স (বি এম আই) হেনগৎলকপনসু থম্মোয়গী লায়না ওইহল্লকই। অদুবু পুম্নমক অসিদগী হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইরিবদি নুমীদাং পালি তারগা থবক শুবা মীওইশিংনি।

রিছার্চরশিংনা চহী ২৪ চুপ্পা নর্স ২৪০,০০০ গী মওং মতৌ কুপ্পা য়েংশিনবদা ৱাফম অসি খঙলকপনি। য়ামদ্রবদা থা খুদিংগী অহুল্লক নুমীদাং পালি তাবা নুপী ১৮৯,০০০ কোরোনরি হার্ট দিজিজ নারকপা থেংনখি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি জর্নেল ওফ অমেরিকান মেদিকেল এসোসিএসন (জে এ এম ও) গী ওনলাইন ইদিসনদা হন্দক্তা ফোঙলকখিবনি।

অমরোমদা, দেনমার্ককী কোপেনহেগেন য়ুনিভর্সিটি হোস্পিটালনা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, হার্ট এটেক তৌরুবদগী ফীভম ফগৎলকপা তারবসু মীওই অয়াম্বা মথৌদা অমুক হঞ্জিনবা ঙমদে।

দেনমার্কতা লৈবা কোপেনহেগেন য়ুনিভর্সিটি হোস্পিটালগী ফিজিসিয়ন রেসমস রোথনা হায়খি, হার্ট ফেল ওইখ্রবা মীওই খুদিংমক তুংগী পুন্সিদা অমুক হন্না মশাগী মথৌদা মপুং ফানা মায় ওনশিনবা ঙমদে। হার্ট ফেল ওইখ্রবা মশাগী চহী ১৮ দগীনা ৬০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওই ১১,৮৮০ দা কুপ্পা ষ্টদি চৎথবদা ৱাফম অসি খঙলকপনি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# ঐখোয়গী মাঙলমচৎ অমদি ইনাৎ হৌরক্লিবা মীরোলশিংনা খঙহৌনবা লাইরিক ইদুনা থম্লম্বা য়াম্না মথৌ তাই : রামেশ্বর

ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস) : ঐখোয়গী মাঙলমচৎ, ঐখোয়গী চৎনলোল অমসুং ইনাৎ হৌরক্লিবা নহাশিংদা খঙহন্দুনা থম্লম্নবগীদমক লাইরিক ওইনা থম্লম্বা অসি য়াম্না মথৌ তাই হায়না ককচিং এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

রিমস অমদি জেনিমসকী চীফ লাইব্রেরিয়ন ওইরম্বদগী থবক্তগী পোথারবা ডা. নাওরেম গিরিধরিনা ইবা লাইরিক *দাইনামিক লাইব্রেরী সর্ভিস এন্দ সোসল রেভোল্যুসন* হায়না মিংথোনবা লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অমদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখিবা এম এল এ রামেশ্বরনা মখা তারদুনা হায়, ঐখোয়না লাইরিক অমা ইদুনা থম্লম্বা অসিনা তুংদা হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা অচৌবা লমজিংবা অমা পীরমগদৌরিবনি। ঙসি ফোঙলিবা লাইরিক অসিনা মপুং ওইনা লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সাইন্সকী লমদা হেন্না কান্নবা কয়া ফংহনবা ঙম্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।




নাওরেম ট্রষ্টনা শীন্দুনা লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংগী মীপুনশঙদা পাঙথোকখিবা লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুগা ঈরোয়ননা লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংনা লিশাং শিংনা চথদুনা লাকপা স্পেসল সন্দেগী ৪২০শুবা থৌরমসু পাঙথোকখি।

ঙসিগী লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা ককচিং এ সীগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা অথোইবা মীথুং, লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংগী ভাইস প্রসিদেন্ট এম কুঞ্জকেশোনা থৌরম মপু, ষ্টেট লাইব্রেরী ইম্ফালগী চীফ লাইব্রেরিয়ন আর কে উর্মিলানা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি ফোঙখিবা লাইরিক *দাইনামিক লাইব্রেরী সর্ভিস এন্দ সোসল রেভোল্যুসন* অসিগী মতাংদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সাইন্সকী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট ডা. সী ঐচ ইবোহলনা মচা খায়না মীয়ামদা পাউদমখি। ঙসিগী থৌরম অদুগী মনুং চন্না মহৈরোয়শিংগী ওইবা ক্যুইজ চাংদম্ন বগী থৌরম, থাঙ-তাগী হৈ-শিংবা উৎপা, জগোয়-ঈশৈ অমদি যোগগী হৈ-শিংবা উৎপগা লোয়ননা মনা-মথুম পীবগী থৌরমসু পাঙথোকখি।

# হিংমিন্নসি ঐখোয়গী মেম্বরশিংনা শৈশকপা সুরেনদা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস) : মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা হৌজিক হৌজিক রিজনল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) লম্ফেলদা লায়েংদুনা লৈরিবা লমদম অসিগী শক্লাইরবা শৈশকপা সুরেন য়ুম্নামগী অনা-লায়েংদা মতেং ওইনবা হায়দুনা ঙসি হিংমিন্নসি ঐখোয় হায়বা সোসল মীদিয়াগী গ্রুপ অমগী মীহুৎশিংনা রিমসতা চৎলগা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৪০ খুৎশিন্নখ্রে।

হিংমিন্নসি ঐখোয় হায়রিবা গ্রুপ অসিনা শৈশকপা সুরেনদা শেলগী মতেং পাংখিবা অদু গ্রুপ অসিগী মেম্বরশিং অমদি দোনরশিংনা অঙম-অঙম্বা পীনরকখিবা শেলগী মতেংশিং অদু পুনশিল্লগা হিংমিন্নসি ঐখোয়গী এগজিক্যুটিভ মেম্বর অমসু ওইরিবা রিমসকী দিরেক্টর ডা. এ শান্তগী লুচিং মখাদা সুরেন য়ুম্নামগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা হকথেংননা শেলগী মতেং অদু খুৎশিন্নখিবনি।

লোয়ননা শৈশকপা সুরেনগী অনাবা অদুবু য়াম্না থুনা ফগৎলক্ক বসু তেংবাঙ থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা শেম্বীবা মপুদা থৌনিজখি। হিংমিন্নসি ঐখোয় হায়রিবা সোসল মীদিয়া গ্রুপ অসিনা রিমসতা লায়কন্নদুনা লৈরিবা শৈশকপা সুরেন য়ুম্নামদা মতেং পাংবা ওইনা মহাক্কী ইমুং-মনুংগী মীওইদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৪০ পীনবগী চৎখিবা খোঙচৎ অদুদা হিংমিন্নসি ঐখোয় সোসল মীদিয়া গ্রুপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি পুর্ণি গুরুময়ুম অমদি ট্রেজরর এল বিজেন্দ্র অমসুং গ্রুপ অসিগী য়াম্লবা মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি।

পনবা য়াবদি, লমদম অসিগী শৈশকপা সুরেন য়ুম্নাম অসি হৌখিবা নুমীৎ খরনিগী মমাঙদগী মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা রিমসতা লায়কন্নদুনা লাকখিবনি। শৈশকপা অসিগী থৱায়তবু হিংহৌরগদি হায়না মায়কৈ কয়াদগী তোঙান তোঙানবা লূপশিং অমদি লন্নাই ওইনা অঙম-অঙম্বা মতেং কয়া লেপ্পা লৈতনা পাংদুনা লাকখিবনি। অসিগুম্বা মীয়ামগী তেংবাঙ ফংবা অসিনা শৈশকপা সুরেননসু লৈবাক মীয়াম্বু থাগৎপা ফোঙদোরকখিবা লৈখ্রবনি।



# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৩।০৫।২০২২ইং, নিংথৌকাবা; অয়ুক পুং ১১.৩৫ ফাওবা কালেনগী ২৩ নি পাল্লি, মতুং ২৪নি পাল্লনি।

**মেষ:** শেল-থুমগী লমদা নীংবা থুংবা, মরুপ-মপাং লোয়নবা থবক লায়না পাঙবা অমদি ৱাখল থোকপা নুমিৎনি। অদুবু অশাওবনা মাঙজবা লৈগনি-তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱা য়াম্না ঙাঙগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা/কিসমিস

**বৃষ:** অঙম্বনা চানবীবনা অনীংবা অরুবা থবক পাঙবা, য়েৎনরম্বা কোকচবা অমদি শেল-থুমগী লমদা মায় পাকপা নুমিৎনি। ৱাফংনবদি তৌগনু-চোপ্পা য়াবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**মিথুন:** মীয়াম্না তেংবাঙনীংবা, নচা-ননাইগী লমদা চাওনা মায় পাকপা অমদি অফবা থবক পাঙবদা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। অরাপ্পদগী কান্নবা ফংগনি, লন চঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কর্কট:** মীথোই মীহেনবা ওইগদবা নুমিৎনি। লেঙদবা লন তানশিনবা য়াগনি, মরুপ-মপাংগী মতেংদগীসু ওইজ-ওইথক ফংগদবা নুমিৎনি। থৌনা ফুদোকপা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**সিংহ:** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগদবা নুমিৎনি। লেঙদবা লন ফংবা, মীংচৎ ফংবা, পোরম য়াৎপা হৈবনা ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইজবা লৈগনি। লাঙতক্লবদি ফাথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কন্যা:** লৌশিং চাওবা, মরুপ-মপাংগী মতেং ফংবা, ইমুং-মনুংগী ৱানা কান্নবা ফংজবা অমদি শেন্দোং তানবগী থবক্তা চাওনা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি -তনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**তুলা:** হন্থবা লোয়নদবা অমদি অনম তানবসু য়াদবা মতাংনি। মীয়াম লোয়নবনা কান্নবা ফংবা ৱাৎকনি অমদি মীতোপ থাজদবনা চাওখৎপা ফংগদবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- চরাংনবনা মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**বৃশ্চিক:** হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎকনি অদুনা অনম তানগনু, ফিংগনু অমদি য়েক্লবনা পাংগনবা মতমনি-ঈংথনা লৈয়ু। অরিবা থবক্তি হান্নগুম পাঙবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱারৌনবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

**ধনু:** য়েৎনবদা মায় পাকচবা, ৱাখল থোকপনা নীংথিনা খন্থরগা পাঙবা থবকশিং শোয়দনা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। মরুপ-মপাং লোয়নবদি মাঙবনা হেনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

**মকর:** নচা-ননাইগী মতেংনা অমদি মীয়ামগী মতেংনা কান্নবা ফংজবা ঙসিসু লৈগনি, ৱানোম থৌনোম্বসু মহৈ য়াগনি। মরুপ মপাংগা ৱাখল তান্নদবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কুম্ভ:** হরাওবা নুংঙাইবা, নীংবা থুংবা, শেন্দোং চাওনা ফংবা অমদি মরুপকী মতেংনা লেঙদবা লন ফংবা য়াবা নুমিৎনি। য়েক্লবদি মাঙখিনি অদুবু নোল্লুক্লদি ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**মিন:** খোয়রাং খোয়শাওবা অমদি চরাংনবনা চাদিং হেনবা লৈগনি। অদুবু মরুপ-মপাংগী মতেংনা ওইজ-ওইথক য়াম্না তানবা হৈগনি। তুংগী পোরম য়াৎপসু লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# এসে কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস): লমদম অসিগী হৌরক্লিবা নহা কয়া অমদি মহৈরোয়শিংবু ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবগী চাং ৱাংখৎলকপা কয়া অসিদগী লাপথোক্নবা হোৎনননবগী পান্দমদা অমদি ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা মীওইবগী হকচাংদা অমদি খুন্নাইদা পীরিবা চাউরবা চৈথেংশিং খঙহন্নবগী পান্দমদা এম এস এফ এফ্যের্স ওন দ্রগ য়ুজ প্রিভেন্সনগী মীৎয়েং মখাদা এম এস এফ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি ইম্পেক্ট ওফ দ্রগ ওন দ লাইফ ওফ য়ুথ হায়বা দিষ্ট্রিক্ট ওপন এসে কম্পিটিসন অমা পাঙথোকখ্রে হায়না এম এস এফকী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি পাঙথোকখিবা দিষ্ট্রিক্ট ওপন এসে কম্পিটিসন অদুদা ক্লাস এলেবেনদগী ক্লাস টুয়েল্ব ফাওবগী মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াদুনা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা লুৱাংশংবমদা লৈরিবা লিবরেল কোলেজদা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

# শবুংখোক্তগী লাইকোৎ তাবা লম্বী চহী ১০ হেন্না শেম্বীদবদগী খুঞ্জাশিং অমদি স্কুল চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা মহৈরোয়শিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরে

ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা লম্লাই এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈরিবা য়াম্না মরু ওইখ্রবা লম্বী অমা ওইরিবা শবুংখোক্তগী লাইকোৎ তাবা লম্বী অসি লুচিংবশিংনা অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা চহী ১০ হেন্না হন্না য়েংবীদনা শেমজিন-শাজিনবীদবদগী মায়কৈ অসোমদা লৈরিবা খুঞ্জাশিং অমদি নুমীৎ খূদিংগী স্কুল চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা মহৈরোয়শিংনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরে।



নোং চুবা মতমদদি লম্বী অসিগী ফীভম কা হেন্না ফৎতবনা লম্বী অসিদা মহৈরোয়শিংনা স্কুল চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়াদবদগী স্কুল চৎতবা ফাওবা কয়া য়াওরে। চহী খরগী মমাঙদা হায়রিবা শবুংখোক্তগী লাইকোৎ তাবা লম্বী অসিগী মফম অমদা লৈরিবা কলভর্ট অনী অমসু কায়খিবদগী খুঞ্জাশিংনা অঙম-অঙম্বা উ-ৱা পুথোকপগা লোয়ননা লৈবাক হৈজিন্দুনা লম্বী অসি চৎপা য়ানবা শেমখিবসু লৈখ্রে। পাথবী থোং হায়না খঙনবা অসিসু ঈশিংনা মখোঙগী লৈবাক চেম্থোকখিবদগী নমথদুনা লৈরি। লম্বী অসি শবুংখোক্তগীনা লাইকোৎ ফাওনবগী য়াম্না মরুওইরিবা অমত্তা ঙাইরবা লম্বী অমনি হায়বা য়াই। হৌজিক হৌজিক লম্বী অসিদা লৈরিবা কলভর্ট কায়রিবা অসি নোংম-নোংমগী অসুম হেঞ্জিল্লক্লবদি লম্বী অসিদা হৌজিক খরা খরা চৎনরিবা অসিসু মপুং ফানা চৎপা য়াদবগী ফীভমদা লৈরকপগী অকিবা লৈরে। হায়রিবা লম্বী অসি লাইকোৎ ভিলেজদগী ফাইফোন ভিলেজ ফাওবগী চৎনবগী য়াম্না মরুওইখ্রবা লম্বী অমসুনি। লম্বী অসি কা হেন্না ফৎতবনা নোং খজিক চুরকপদা লম্বী অসি চৎপা য়াদদুনা মহৈরোয় কয়া স্কুল চৎতবা ফাওবা য়াওনরে। হৌজিক ওইরিবা লম্বী অসি ট্রেক্টর নত্তনা অতোপ্পা গাড়ী অমত্তা চৎপা য়াদবগী ফীভমদা লৈরে। লম্বী অসিগী নাকলদা অমদি নাক-য়েৎতা লৈরিবা লৌফমশিংদা লৌ উনবগীদমক চৎথোক-চৎশিন তৌবদা তঙাইফদ্দবা লম্বী অমসু ওইবনা খুঞ্জাশিংনা লৌ উনবা চৎথোক-চৎশিন তৌবদসু খুদোংচাদবা অৱাবা কয়া মায়োক্নহল্লে।

মরম অদুনা হায়রিবা শবুংখোক্তগী লাইকোৎ তাবা লম্বী অসি লৈঙাক্লা অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা অথুবা মতমদা শেমজিন-শাজিনবীদুনা মায়কৈ অসোমদা লৈরিবা খুঞ্জাশিংনা মায়োক্নরিবা অৱাবা খুদোংচাদবা মরুওইবা মহৈরোয়শিংনা লম্বী অসি ফৎতবনা থেঙ্খ্রাং কয়ারক হন্না স্কুল চৎপা ঙমদ্রিবা অসি লৈতনবগীদমক লম্বী অসি শেমজিনবীয়ু হায়না মায়কৈ অসোমগী খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, শবুংখোক্তগী লাইকোৎ তারিবা লম্বী অসি মরুওইবা লম্বী অমা ওইরবসু মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা শেম্বীদনা লাকখিবনি। খুঞ্জাশিংনা লম্বী অসি শেম্বীয়ু হায়না মরী লৈনবশিংদা হায়জখিবা লৈখ্রবসু চহী ১০ হেন্না লম্বী অসি শেম্বীদনা লাকখিবনি। হায়রিবা লম্বী অসি অথুবা মতমদা মরী লৈনবশিংনা শেমজিন-শাজিনবীদুনা মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবা কোকহনবা হায়বসি মায়কৈ অসোমগী মীয়ামগী অপাম্বনি।